# দব্লিয়ু ঐচ ওনা কোভেক্সিন এপ্রুভ তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা মালেমদা দোজ বিলিয়ন মঙা সপ্লাই তৌগনি: মোদি

ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ইন্দিয়াগী ইন্দিজেন্নস কোভিদ ভেক্সিন-কোভেক্সিন এপ্রুভ তৌরবদি ন্যু দেল্লীনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা ভেক্সিন দোজ বিলিয়ন মঙা সপ্লায় তৌগনি।

মহাক্না ৱাফম অসি থাংজ নুমিৎতা ইটালিগী কেপিটেল রোমদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমিশিংগী লুচিংবশিংগা লোয়ননা পাঙথোকপা জি ২০ লীদরশিংগী ওইবা সম্মিট হৌদোকপগী থৌরমদা 'গ্লোবেল ইকনমি এন্দ গ্লোবেল হেল্থ' কী অহানবা সেসনদা ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোকখিবনি।



কোভিদ পেন্দমিক থেংনবদা ইন্দিয়ানা পীরিবা কনত্রিব্যুসনদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি অমসুং লৈবাক ১৫০গী মথক্তা ইন্দিয়ানা হীদাক-লাংথকশিং সপ্লাই তৌই হায়নসু পনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি, ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী সিটিজন বিলিয়ন অমা হেন্না ভেক্সিন কাপ্পদা নত্তনা হেন্না মরু ওইরিবদি, মথং চহী লোইবা ফাওবগী মনুংদা ঐখোয়না ভেক্সিন দোজ বিলিয়ন মঙা হেন্না সপ্লায় তৌনবা থৌরাং তৌরি। ভেক্সিনশিং অসি ঐখোয়গী সিটিজনশিংগীদা নত্তনা মালেম পূম্বগী ওইনা ফংহনগদৌরিবনি। মসি ভেক্সিন দিষ্ট্রিব্যুসনগী মতাংদা মালেমদা থোং মান্নদবগী ফিভম অমা লৈরিবসি হন্থনবগী পান্দমদা ঐখোয়না মালেমদা পীবা কনত্রিব্যুসন্নি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি হর্স ভর্ধন শ্রিংলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা ঐখোয়গী ইন্দিজিন্নস ভেক্সিন ওইরিবা কোভেক্সিনবু ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী ওথোরাইজেসন পীরবদি অতৈ লৈবাশিংদা মতেং পাংবগী প্রোসেসতা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। প্রাইম মিনিষ্টরনা 'ৱান আর্থৱান হেল্থ' হায়বা ইন্দিয়াগী ভিজন অসিবু পল্লদুনা মসিনা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী মায়োক্তা থেংনবদা মালেম পূম্বা খূৎশম্নবদা হেন্না খুদোংচাহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯দা নত্তনা অতৈ লায়না লাইচৎ কয়া থেংনবদা রিছর্স এন্দ দিভলপমেন্টকী লম্দা মালেম লৈবাকশিংগী মরক্তা কোলাবোরেসন তৌনবা অসিনা তুংদা লাকপা মালেমগী ওইবা হেল্থ ইস্যুশিং থেংনবদা খুদোংচাহল্লি হায়না হেল্থ সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, ভেক্সিন রিছর্স মেন্যুফেকচরিং অমসুং ইন্নোভেসনগী মতাংদা মালেম পূম্বনা মীৎয়েং চঙনবা মথৌ তাই। মায়কৈ অসোমদা ঐখোয়না শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ইনভেষ্ট তৌখ্রে। মসিনা ঐখোয়গী সিটিজনশিং অমসুং মালেম পূম্বগী সিটিজনশিংবু মশা মঊ ফনা লৈহনবদা মতেং পাংলগনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌরম অদুদা থমখিবা ৱারোল পল্লদুনা হেল্থ সেক্রেটরিনা হায়, ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গ্লোবেল সপ্লায় চেনশিংগী ফিভম ফনা লৈহনবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়না লৌই।

মহাক্না ইন্দিয়াদা অনৌবা ইন্নোভেসন কয়া পুথোক্নবা হোৎনরিবশিংবু প্রাইম মিনিষ্টরনা মালেমদা খঙহন্নবা হোৎনখি হায়নসু ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা জি ২০ লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াবু ইকনমিক রিকভরিগী থবকশিংদা মখোয়গী মরু ওইবা পার্টনর ওইহন্নবা ইনভাইট তৌখি হায়নসু শ্রিংলানা ফোঙদোকখি।

# মপানগী জহাজ ফাজিন্নবা মদ্রাস হায় কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
ঙামীগী হিদা থেংজিনবগীদমক পানামাগী ফিরাল থেৎপা কার্গো জহাজ 'এম ভি নাভিওস ভেন্যু' ফাজিল্লগা থম্নবা মদ্রাস হায় কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে।



থা অসিগী ২২দা কৈন্যকুমারি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কোলাচাল হারবরদগী নোটিকেল মাইল ১৯ লাপ্পা মফমদা কার্গো জহাজ অদুনা ঙা ফাবদা শীজিন্নবা হি অমদা থেঙ্গাইখিবা মতুংদা হি অদুগী মপু পি রাজামনিনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমগী হীয়ারিংদা হায় কোর্টনা ওর্দর অদু পাস তৌখিবনি।

'শিজ মোন-১' কৌবা রাজামনিগী হি অদু কার্গো জহাজ অদুনা থোমখিবা মতমদা ক্রু মেম্বর ১৭ তোংখি। জহাজ অদুনা থেংজিনবদা মীওইশিং অদু হি অদুদগী লংখি অমসুং মীওই ২ ফিভম থিনা শোকখি। হি অদুসু অমাঙ-অতা চাওনা থোকখি।

ফিভম থীনা শোক্লবা ঙামী অনীদু ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দকী পেত্রোল ভেসেলনা রেস্ক্যু তৌখি অমসুং থিরুভানান্তপুরম মেদিকেল কোলেজদা এদমিট তৌখি। অতৈ ১৫ দুনা অনকপদা ঙা ফারম্বা হিশিংগী মতেংনা সমুদ্র খোংবান য়ৌবা ঙমখি। পিটিস্নর রাজামনিনা কোর্টতা হায়খি মদুদি জহাজ অদু পানামাগী ফিরাল য়াওই। করিগুম্বা মদুবু ঐখোয়গী ঈশিংগী ৱাংমদা চৎহনখিবা তারবদি অশোকপা ঙামীশিং কম্পেন্সেসন অমৎতা ফংলোই।

মহাক্না কোর্টতা জহাজ অদু ইন্দিয়ন টেরিটরিদা ফাজিল্লগা থম্নবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎপীনবা হায়জখি অমসুং জষ্টিস সেন্থিলকুমার রামামুর্থিনা পানামা ভেসেল 'এম ভি নাভিওস ভেন্যু' চয়োল অহুম মুম্বাই পোর্টতা দিটেন তৌনবা ইন্দিয়ন কোষ্ট গার্দ, দিরেক্টর জেনরেল ওফ সিপ্পিং অমসুং মুম্বাই পোর্টতা দিরেক্সন পীখি। কোর্টনা ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিং অমসুং জহাজ অদুদা নোটিস থাহনখি অমসুং কেস অদু নভেম্বর ২৬ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি।

টামিল নাদুগী কোষ্টেল মেরিন পুলিসনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ২৮০ অমসুং সেক্সন ৩৩৭গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবনি। কেস অদু হি অদুগী দ্রাইভরনা কমপ্লেন তৌবদগী রেজিষ্টর তৌখিবনি।

# অখিলেসকী কন্সটিট্যুএন্সিদা অমিত শাহনা য়ুনিভর্সিটি উরেপ উয়ুং তল্লগনি

লক্ষ্নৌ, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মথং থা নভেম্বর ১৩দা অজমগরদা য়ুনিভর্সিটি অমা উরেপ উয়ুং তম্বগা লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা মীয়ামগী অচৌবা রেল্লি অমদসু ৱা ঙাঙগদৌরি।

অজমগর অসি সমাজৱাদি পার্টি (এস পি)গী প্রসিদেন্ট অখিলেস য়াদবকী পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিনি। অখিলেস য়াদবগী কন্সটিট্যুএন্সিদা য়ুনিভর্সিটি অমা উরেপ উয়ুং তম্বগী ৱাফম অসি উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা থাংজ নুমিত্তা পার্টিগী মীফম অমদা লাউথোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, অজমগরনা চীফ মিনিষ্টর অনী হায়বদি মুলয়াম সিংহ য়াদব অমসুং অখিলেস য়াদবপু মায় পাকহনখি। তৌইগুম্বসুং দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌজিকসু আইদেন্টিটি ক্রাইসিস মায়োক্নদুনা লৈরি। ঐখোয়না অজমগরদা য়ুনিভর্সিটি অমা খূদোল তল্লগনি অমসুং মসিবু নভেম্বর ১৩দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা উরেপ উয়ুং তল্লগনি।

মহাক্না থৌরম অদুগা মরী লৈননা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোক্নবা শেম শাবা হৌনবা পার্টিগী ৱর্করশিংদসু আপীল তৌখি অমদি অজমগরদা এয়রপোর্ট অমসুং এক্সপ্রেসৱে লৈরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

বি জে পিনা কুমজা ২০১৭তা উত্তর প্রদেশতা পৱার পায়রকখিবদগী ষ্টেট অসিদা লাকখিবা অহোংবশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা য়োগি অদিত্যানাথনা পার্টি ৱর্করশিংদা আপীল তৌখি। মহাক্না হায়খি, মমাঙগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা মখোয়গী য়ূমশিংদমক শাখি তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মীওই লাক্ষ ৪৩গী য়ূম শাবীখি। অসুম তৌদুনা খনগৎলবা দিষ্ট্রিক্টশিংতমক পৱার সপ্লায় পীরম্বদু হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক মীচঙ মীখায় নাইদনা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহল্লে।

পোলিটিকেল এনালিষ্টশিংগী মতুং ইন্না অমিত শাহনা অজমগরদা অচৌবা রেল্লি পাঙথোক্কদৌরিবা অদু সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্টতা অচৌবা চৈথেং অমা ফংহন্নবগীদমক্তনি।

# সুপ্রিম কোর্টনা কম্মিটি শেমখিবদগী বেঙ্গলগী পেগাসস পেনেল করি ফিভমদা লাকপা য়াই হায়বা ঙমদ্রি

কোলকটা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
গভর্ণমেন্টনা ইজরেলি স্পাইৱ্যের পেগাসস শীজিন্নখি হায়বা এলিগেসনশিংগী মতাংদা থীজিন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা এক্সপর্টশিংগী ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট টেক্নিকেল কম্মিটি অমা শেমখিবা অসিনা মরম ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা ইস্যু অদুবু থীজিন্নবা থা অহুমগী মমাঙদা শেমখিবা মেম্বর অনীগী কম্মিসন করি ফিভমদা লাকপগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।



ষ্টেট কম্মিসনগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমা ফোঙদোরক্ত্রিবা ওইরবসু এপেক্স কোর্টনা কম্মিটি শেমখ্রবা মতুংদা ষ্টেটকী পেনেল অদু মথৌ তারক্তবা য়াই হায়না লিগেল এক্সপর্ট খরনা থাজরি।

সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী জজ জষ্টিস মদন বি লোকুর অমসুং কলকটা হায় কোর্টকী হান্নগী জষ্টিস জ্যোতিরমোই ভট্টচার্য্য য়াওবা মেম্বর অনীগী কম্মিসননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মখোয়না তুংদা লৌখৎলক্কদবা এক্সনগী মতাংদা ৱারেপ লৌননবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং মীফমদু লোইরবা মতুংদা মেম্বর অনীমক্না ইস্যু অদুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ য়াখিদে।

ইজরেলিগী সাইবর-ইন্টলিজেন্স কম্পনি এন এস ও গ্রুপনা পুথোকপা পেগাসস স্পাইৱ্যের শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী মশক নাইবা মীওই কয়াগী ফোনশিং সর্ভিলেন্স তৌখি হায়বা এলিগেসনগী মতাংদা ইনক্বারি চথুনবা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা কম্মিসন অদু শেমখিবনি।

ইজরেলি স্পাইৱ্যের অদু শীজিন্নদুনা জর্নেলিষ্টশিং, এক্টিভিষ্টশিং, বিজিনেসমেনশিং, পুলিস ওফিসলশিং অমদি গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিসন অনীমক্কী পোলিটিসিয়নশিংবু সর্ভিলেন্স চথুখি হায়না গভর্ণমেন্টনা মরাল শীখিবনি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসনগী মতুং ইন্না কম্মিসন অদুনা ষ্টেট এক্টরশিং অমসুং নন-ষ্টেট এক্টরশিংনা অসিগুম্বা ইন্টরসেক্সনগী খূথাংদা কল্লেক্সন তৌখিবা ইনফোর্মেসন পায়বা, থমজিনবা অমদি শীজিন্নবগী মতাংদা থীজিনগনি।

কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা শেমখিবা কম্মিসন অদুদা সিভিল কোর্ট অমগী পৱারশিং পীখি। মসিনা হায়রিবদি কম্মিসন অসি ইন্দিয়াগী মফম খূদিংমক্তগী মীওই অমবু সম্মন তৌবা অমদি নমদুনা লাকহনবগী পৱার লৈ। কম্মিসন অসিনা পব্লিক রেকোর্দ নৎত্রগা কোর্ট অমগী নৎত্রগা ওফিসশিংগী অপান্বা কোপি খূদিংমক কৌবা ঙম্মী।

পোলিটিকেল এক্সপর্টশিংগী মতুং ইন্না মমতা বেনর্জিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদু সেন্টরবু হীরম অসিগী মতাংদা নমদুনা রিএক্ট তৌহন্নবগী-দমক্তনি। সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীমক্না অসিগুম্বা কম্মিসনশিং লিংখৎপা য়ারবসু সবজেক্ট মেট্টরগী মতাংদা ষ্টেটশিংদা রেষ্ট্রিক্সন খরা লৈ।

# রেপ অমসুং কিদনেপিংগা মরী লৈননা এক্স এম এল এ পুন্সিচুপ্পা ফাদোক পীখ্রে

বদাওন, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
চহী ১৩গী মমাঙদা মহৈরোয় নুপীমচা অমা ফাবগা লোয়ননা রেপ তৌখিবগা মরী লৈননা বদাওনদা লৈবা স্পেসল এম পি/এম এল এ কোর্ট অমনা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী হান্নগী এম এল এ জোগেন্দ্র সাগরবু পুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবগা লোয়ননা লুপা ৩০,০০০ ফাইন তৌখ্রে।

এদিসনল গভর্ণমেন্ট এদভোকেট মদনলাল রাজপুটনা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ২৩দা বিলসিদগী অন্দর-গ্রেজুএট মহৈরোয় অমা ফাখিবা অমসুং মদুগী মতুংদা মহৈরোয় অদুবু হঞ্জিন হঞ্জিন্না রেপ তৌখিবগী মরালদা সাগরবু থাংজ নুমিত্তা জজ অখিলেস কুমারনা কনভিক্ট তৌখি। করিগুম্বা হান্নগী এম এল এ অসিনা ফাইন পীদবা তারবদি মহাক মখা তানা থা অহুম অমসু জেলদা লৈগদবনি।

কোর্টনা ভর্দিক্ট অদু লাউথোক্লবা মতুংদা হান্নগী এম এল এ অসিবু পুলিসনা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখি। মদুগী মতুংদা মহাক মেদিকেল অমসুং কোভিদ টেষ্টশিংগীদমক পুখি। জোগেন্দ্র সাগর সুপ্রিম কোর্টনা বেল পীবদগী অয়েৎ অপন য়াওদনা লৈরকপনি। ক্রাইম অদু থোকখিবা মতমদা মহাক বদাওন দিষ্ট্রিক্টকী বিলসি সিটতগী কাবা বি এস পিগী এম এল এ ওইখি।

ৱায়েল চথুরিঙৈ মনুংদা ভিক্টিম নুপীমচা অদুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টতা সাগরনা মহাকপু লক্ষ্নৌদা লৈবা মহাক্কী গভর্ণমেন্ট রেসিদেন্সতা থমখি অমসুং মহাকপু সাগর অমদি অতৈ নুপা অনীনা রেপ তৌখি হায়না পনখি। অতোপ্পা মীওই অনী-তিজেন্দ্র সাগর অমসুং নিরাজ শর্ম্মা মমাঙদা কোর্ট অসিমক্না পুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবনি।

ভিক্টিম অদুনা মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, মহাকপু ফারবা মতুংদা দেল্লী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মহাকপু পুখি অমসুং মীওই অহুম অদুনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না রেপ তৌখি।

# এন্টি-টেরর ওপরেসন মতুংদা হায়ৱে হাংবা হৌখ্রে



জম্মু, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা আর্মিনা ওক্টোবর ১১দা এন্টি-টেরর ওপরেসন হৌখিবা মতুং নুমিৎ ২০ নি কানরগা থাংজ নুমিৎতা ওথোরিটিশিংনা পুঞ্চ হায়ৱেগী ভিম্বর-জরানৱালি গলি রোদ হাংদোকখিবগা লোয়ননা এরিয়া অদুগী লৌমীশিংবু লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎপা য়াহনখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, লৌমীশিংদা এরিয়া অদুদা চিংননিংঙাই ওইবা মুভমেন্টশিং উরবদি খূদক্তা পাউ পীরক্নবা পাউতাক পীখ্রে। জে এন্দ কেগী খ্বাইদগী শাংবা এন্টি-টেরর ওপরেসনশিংগী মনুংদা অমা ওক্টোবর ১১দা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মেনধর তেহসিলগী মনুং চনবা ভাট্টা দুরিয়ান ফোরেষ্টতা থমখি।

ওপরেসন অসিগী এরিয়া অদু ওক্টোবর ১৪দা রাজৌ দিষ্ট্রিক্টকী থানা মন্দির এরিয়া ফাওবা য়ৌহনখি। মদু টেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর (জে সী ও) অনী য়াওনা লান্মী ৯ শিবগা লোয়ননা পুলিসমেন ২ অমসুং অতোপ্পা লান্মী ১ অশোক অপন নংখিবা মতুংদনি।

লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি)গী দিয়া মুষ্টাফা কৌবা পাকিস্টানি টেরোরিষ্ট অমা জম্মুদা লৈবা জেলদগী পুরগা এরিয়া অদুগী লোৎফম তাকহনখি। মহাক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদুদা চঙশিল্লুবদা মফম অদুদা লোত্তুনা লৈরল্লিবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্লকপদা পান্দুনা শিখি।

টেরোরিষ্টশিং অদুবু মফম অদুদা চান-থক্লবা অমদি লৈফমনচিংবা পীদুনা লোৎহনখিবনি হায়বা মীচম খরা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফারগা ৱাহং-পাউহং চথুখি। সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং টেরোরিষ্টশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা পানবনচিংবা খুদোংথিবা নংদনবগীদমক লোকল মীওইশিং ফোরেষ্ট এরিয়াদা নৎত্রগা ষণজাবুংশিংদা শা পুদুনা থোক্লক্তনবা আর্মি অমসুং পুলিসকী মায়কৈদগী আপীল তৌখি।

ওপরেসন অদুগী মনুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা রোকেট কয়া কাপ্পদা ভট্টা দুরিয়ান ফোরেষ্টকী শরুক অমা মৈ চাকখি। অদুম ওইনমক, ওপরেসন অসিদা টেরোরিষ্ট কয়া হাৎখিবগে হায়বগী মতাংদদি ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমত্তা থাদোরকপা লৈত্রি।

# বেঙ্কর নুপী অমা সুইসাইদ তৌখিবগা মরী লৈননা এস এস পি ওফিসর বূক তৌখ্রে

অয়োধ্য, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
বেঙ্কর নুপী অমা সুইসাইদ তৌহনখিবগীদমক হান্নগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) অমা বূক তৌখ্রে। বেঙ্কর নুপী অদু থাংজ নুমিৎতা অয়োধ্যাদা লৈবা মহাক্কী অৱাইবা কাদা সিলিংদগী থৌরী য়াল্লগা শিরম্বা থেংনখি। মশাগী চহী ৩২ শুরবা লৈখিদ্রবী শ্রাধা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী দেপ্যুটি ব্রাঞ্চ মেনেজর অমা ওইরমখি।

লৈখিদ্রবী বেঙ্কর অদুগী অপোকপা রাজকুমার গুপ্তনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফাইজবাদ কোটৱালি পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎলবা মতুংদা এস এস পি অশিশ টিৱারিগা লোয়ননা পুলিস কন্সটেবল অনিল রাৱাট অমসুং বলরামপুরদগী ভিভেক গুপ্তসু বূক তৌখি।

অহানবা এক্যুজ ওইরিবা ভিভেক গুপ্ত বেঙ্কর শ্রাধাগা লুহোংনবা মতম লেপ্লখি। তৌইগুম্বসুং শ্রাধানা ভিভেককী কেরেক্টরগী মরমদা ৱাহং কয়া হংবদগী ইনগেজমেন্ট অদু হৌখিবা চহীগী এপ্রিলদা কেন্সেল তৌখি।

এক্যুজ অহুম্মক শ্রাধানা মহাক্কী সুইসাইদ নোটতা পল্লমখি। সুইসাইদ নোট অদু শ্রাধাগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থাখ্রবা মতুং মতম খরা কান্নরগা থেংনখিবনি। বেঙ্কর শ্রাধানা সুইসাইদ নোট অদুদা মহাক্না সুইসাইদ তৌরিবদু পুলিসমেন অনীদুগা লোয়ননা ভিভেকনা থোকহনবনি হায়না ক্লেম তৌখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, শ্রাধা কুমজা ২০১৫দা পি এন বিদা ক্লাক অমা ওইনা থবক চঙখি অমসুং রেঙ্ক হাইগৎলক্তুনা কুমজা ২০১৮দা ওফিসর অমা ওইরকখি। মহাক ফাইজবাদতা লৈবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চতুগা নক্লনা অশানবা য়ূম অমদা মথন্তা লৈখি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্তা শঙ্গোম পুবা মীওইনা শ্রাধাগী থোঙদা থিনবদা রেস্পোন্স ফংদবদগী মহাক্না য়ূম্বুদা পাউ পীখি। হঞ্জিন হঞ্জিন্না থোঙ থিনবদা রেস্পোন্স ফংদবদগী য়ূম্বু অদুনা সাইদ থোঙনাওদা য়েংবদা মহাক সিলিংদগী থৌরী য়াল্লম্বা উখি। মীশি অদুগী মতাংদা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে।

# ইষ্টর্ন লদাখকী ওপরেসনশিংগা মরী লৈননা আই টি বি পি পর্সনল ২৬০ স্পেসল মেদল পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
ইষ্টর্ন লদাখতা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা স্পেসল ওপরেসনশিংগা মরী লৈননা ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) গী পর্সনল ২৬০ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা 'নেসনল য়ুনিটি ডে' দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী স্পেসল ওপরেসন মেদল পীখ্রে।

আই টি বি পিগী পর্সনলশিংনা ঊননা কূপ্লবা অৱাংবা চীংশিংদা 'স্নো লিওপার্দ' ওপরেসন চথুদুনা লদাখতা লৈরিবা লৈবাক অসিগী বোর্দরশিং সেভ গার্দ তৌখি। ফোর্স অসিনা সিষ্টম ওর্গনাইজেসন পূম্নমক্তা কোলাবোরেসন তৌনদুনা অৱাংবা থাক্কী ষ্ট্রেটেজিক প্লান্নিং চথবগা লোয়ননা গ্রাওন্দ ওপরেসনশিং মায় পাক্না পাঙথোকখি।

এৱার্দ ফংলবা পর্সনলশিংগী মনুংদা অমদি ইন্সপেক্টর জেনরেল (আই জি) নোর্থ ৱেষ্ট ফ্রন্টিয়র দিপন সেথনি। মহাক সিনিয়র হায়েষ্ট মিলিটরি কমান্দর (এস ঐচ এম সী) থাক্তা চথুখিবা ৱারী রাওন্দ ১০দা ইন্দিয়ন দেলিগেসনগী মেম্বর অমা ওইখি। নাকল অনীগী মরক্তা কন্না নিগোসিএসন চথবনা মরম ওইদুনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা য়ানবা অমা পুরক্তুনা ফোরৱার্দ লোকেসনশিংদগী ট্রুপশিং লৌথোক্লবা হৌখি।

আই টি বি পিগী স্পেসল ওপরেসনশিং অদু চহী অমা হেন্না চথুখি অমসুং ষ্ট্রেটিজিক প্লান্নিংগা লোয়ননা ওপরেসনশিং অদু ফোর্স অসিদা নীংথিনা এগজিক্যুট তৌখি। ওপরেসনশিং অদুদা ফোরৱার্দ লোকেসনদা লৈরিবা ট্রুপশিংদা মতম চানা লোজিষ্টিক মতিক চানা সপ্লায় তৌবসু য়াওখি।

লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎতা আই টি বি পি পর্সনল ২০দা পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবনি। মেদল অদু মখোয়না ইষ্টর্ন লদাখতা উৎখিবা শীংথানিংঙাই ওইৱবা থৌনাগা মরী লৈননা পীখিবনি। ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরক্তা লান শোক্নরিঙৈ কুমজা ১৯৬২দা লিংখৎখিবা আই টি বি পিনা লৈবাক অসিগী কিলোমিটর ৩,৪৮৮ শাংবা হিমালিয়ন বোর্দর ঙাক শেল্লিবনি।

# কোভিদ কেসকা মরী লৈননা অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ৱার্নিং তৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কোভিদ-১৯ কেসশিং ৱাংখৎ-লকপগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট অনীমক্কী গভর্ণ-মেন্টশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা ইবা লেট্টর অমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, ষ্টেটশিং অসিদা ওক্টোবর ২০দগী অনৌবা কোভিদ ইনফেক্সনশিং হেনগৎপা উখি। দুর্গা পূজা কুম্হৈ মতমদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেসশিং হেনগৎলকখি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা অসামদা ওক্টোবর ২০-২৬ মনুংদা অনৌবা কেস চাদা ৪১ হেনগৎখি হায়না রেকোর্দ তৌখি। অসামদা কোভিদ টেষ্ট য়াম্না হন্থরে হায়নসু সেন্টরনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না সেপ্টেম্বর ২৮দগী ওক্টোবর ৪গী মনুংদা পূন্না টেষ্ট ১,৬৪,০৭১ তৌখিবদগী ওক্টোবর ১৯-২৫দা ১,২৭০,০৪৮দা হন্থখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু চয়োলগী ওইবা অনৌবা কোভিদ ইনফেক্সন চাদা ৪০ হেনগৎলকখি। ষ্টেট অসিদা লায়না অসি পোজিটিভ ওইবগী চাং সেপ্টেম্বর ২৮দগী হৌবা চয়োলগী মনুংদা চাদা ১.৯৩ ওইরম্বদগী ওক্টোবর ১৯ দগী হৌবা চয়োল মনুংদা চাদা ২.৩৯ য়ৌখি। বেঙ্গলদা কোভিদ টেষ্টশিং হায়রিবা মতম অসিদা ২,৬২,৩১৯দগী ২,৬১,৫১৫দা হন্থখি।

# বোম ব্লাষ্টতা চেন্নবা মিজোরাম কোপ অসাম পুলিসনা ফারে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
অসামগী মনুং চনবা পুলিস আওটপোষ্ট অমগী মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমদা চেন্নে হায়দুনা অসাম পুলিসনা মিজোরাম পুলিস পর্সনল অমা ফাখ্রে।

ইন্দিয়ন রিজর্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি এন)গী পর্সনল অমা ওইরিবা লালদিনৱাঙ্গা কৌবা মিজোরামগী কোপ অদু ষ্টেট অসিগী কোলাসিব দিষ্ট্রিক্টকী ভাইরাবি এরিয়াদগীনি। মহাক থাংজ নুমিৎতা অসাম পুলিসনা ফাখি। মহাক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অসামগী হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী রামনাথপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা বাইচেরো বি ও পিগী মনাক্তা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা ফাখিবনি।

হাইলাকান্দিগী এস পি সৌরভ উপাধায়ায়না ফোঙদোরকপদা, থীজিন হুমজিনবদা লোগী মায়োক্তা থবক তৌবা মিজোরাম মচাশিংনা দিটোনেটিং কোর্দ শীজিন্নরগা এক্সপ্লোসিভ অদু পোকখায়হনখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। এক্সপ্লোসিভ পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা চেন্নবগীদমক ঐখোয়না মিজোরামগী সিটিজন অমা ফারে।

চৈরকসিদা, ফারবা মিজোরামগী পুলিস পর্সনল লালদিনৱাঙ্গা হাইলাকান্দিগী লোকল কোর্ট অমনা জেলদা থাজিনখ্রে।

ষ্টেট অনীগী বোর্দর এরিয়াশিংদা থা অনীরোম ঈংনা-চিক্না লৈরক্লবা মতুংদা ইনৌ নৌনা উংখৎনবা অসি থোক্লক্লিবনি।

# কোভিদকী অকিবা লৈনা লৈনা কেরলাগী স্কুলশিং হাংলগনি

থিরুভানন্তপুরম, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী):
থা ২০ থোঙ লোল্লুরবা মতুংদা কেরলাগী স্কুলশিং নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হাংলগনি।

অঙাংশিংবু স্কুলশিংদা অমুক হন্না তরাম্না ওক্লবগীদমক্তা ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা 'প্রাভেসানোলসাভম' সেলেব্রেসনশিং পাঙথোক্কদবা ওইরবসু কোভিদ কেসশিং হন্থদবনা মীয়ামগী ৱাখলদা অকিবা লৈরি।

ষ্টেট অসিগী জেনরেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ভি সিভানকুট্টিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিগী স্কুল পূম্নমক কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল চেকশিন্না ঙাক্লগা মহৈরোয়শিংবু অচৌবা সেলেব্রেসনশিংগা লোয়ননা তরাম্না ওক্লগনি।

অদুম ওইনমক, থাংজ নুমিৎতা ষ্টেট অসিদা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ৭,৪২৭ থেংনবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ৩৫৮ শিহনখিবনা মহৈরোয় মশিং য়াম্না ওফলাইন ক্লাসশিংদা য়াওদবা য়াবগী ফিভম লৈ। মমা-মপা কয়ানা মখোয়গী অঙাংশিং স্কুলশিংদা থানিংদে হায়না থিরুভানন্তপুরমদা লৈবা সোফটৱ্যের এঞ্জিনীয়ার রাজেস নায়রনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখি।

অসুম্না মীওই কয়ানা কোভিদ ইনফেক্সনগী অকিবা লৈরবসু এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা স্কুলশিং অমুক হন্না হাংদোকপা য়ানবগীদমক্তা মথৌ তাবা থৌরাং খূদিংমক গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপদগী মীপাইনিংঙাই অমত্তা লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখি।

/ শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা **শ্রী অরাম্বম বীরেন সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতে অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ৩০/১০/২০২১ ইং, মেরাগী ২৪নি পানবা থাংজ নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওন্দুনা শ্রী কৃষ্ণ চৈতৈন্যা বৃন্দাবন্দ দাস হায়বা নাম ফংজরগা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৪/১১/২০২১ ইং, মেরাগী ২৯/৩০নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১২/১১/২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৮/৯নি পানবা ইরাই নুমীৎতা চিড় উসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ইবুংঙো মানা ঐখোয়গীদমক্তা পীবিরিবা অসিদগী হৈ-লৈ খরদং লৌখৎচরগা হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমক্না মতম চানা লেঙবিরক্তুনা হরি-নাম শ্রবণ তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌরম পরেং:-**
অয়ূক পুং ০৯.৩০ - ভেৎ কৎপা ; অয়ূক পুং ১২.৩০ - সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা

**সেবা ফংজরিবা ঃ-**
১) শ্রীমতি অরাম্বম ওংবী বীমোলাতা দেবী (সহধর্ম্মিনী)
২) শ্রী অরাম্বম থোইথোই সিংহ (মচানুপা)
৩) শ্রী অরাম্বম সনাতোম্বা সিংহ (মচানুপা)

HL-P/0537/1,2,3

**খুরাই নান্দেবম লৈকাই।।**